# থৌবালদা এম এ সি মেরিটৌরিয়স প্রাইজ অমদি দি এল সি ৱাই সি এৱার্দ ২০১৯ য়েহোকখ্রে

থৌবাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): থৌবাল অথোকপমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরী কম য়ুথ সেন্টর (দি এল সি ৱাই সি)গী ১৪ রক শুবা এৱার্দ অমসুং মেরিটৌরিয়স এৱার্দ কম্মিটি (এম এ সি) থৌবালগী মেরিটৌরিয়স প্রাইজ ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা থৌরমদা য়েহোকখ্রে।



দি এল সি ৱাই সিনা চহী খূদিংগী অফবা মহৈরোয়শিং, সেনিয়ার সিটিজেনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মশান্নদা মেদল ফংলকখ্রবা অফবা শান্নরোইদা এৱার্দ য়েহোকপগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ওক্রম সুর্জকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, হান্নগী এম এল এ লন্ধোনি দেবীনা থৌরম মপু অদুগা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ শ্যামো সিংহ অমদি জেনিমসকী মেদিকেল ওফিসার ও নিসকে দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বোসেম, কোহসেম অমদি সি বি এস ইনা লৌবা এগজামশিংদা পোজিসন লৌরকখিবা মহৈরোয়শিং য়াওনা চাদ ৭০ হেন্দুনা পাস তৌরকপা অথোকপমগী মহৈরোয়শিং, নেস্নেল অমসুং ষ্টেট লেভেলগী মশান্না কয়াদা মেদল লৌরকখিবা শান্নরোইশিং অমদি অথোকপম খুলগী অহল ওইরবশিংদা শেল অমদি অচম্বা খুদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম মপু ওইখিবা ও লন্ধোনি এক্স এম এল এনা হায়, চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা ইরমদম ওইহন্নবগী–দমক তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংবু অৱাংবা মহৈগী লৌশিং লৈহনবা তঙাইফদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপসি য়াম্না শীংথা–নিঙাইনি। মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা পান্দম অমা থন্লগা মদু ফংনবা হোৎনগদবনি। অফবা মহৈরোয় শেম্বদা মমা–মপা অমদি ওঝাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়বগী ৱাফম মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মেরিটৌরিয়স এৱার্দ কম্মিটি (এম এ সি) থৌবালনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ ৬ কী মনুংদা লৈবা বোসেম, কোহসেম অমদি সি বি এস সি না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লবা অফবা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎতুনা ৫ রক শুবা এম এ সি মেরিটৌরিয়স প্রাইজ য়েহোকখ্রে।

থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রাইজ য়েহোকপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ওক্রম সুর্জকুমার, এম এ সিগী প্রসিদেন্ট কোন্সম মাইকেল অমসুং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ শ্যামোনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১, ২, ৪, ৮, ৯ অমসুং ১০ গী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা খ্বাইদগী ফবা মকোক মথং তাখিবা মহৈরোয় ৩–৩ দা কন্সোলেসন প্রাইজ ৫ অমদি তোঙান তোঙানবা দোনরশিংনা সবজেক্ট তোপ্পরশিংগীদমক কৎপা এৱার্দ য়েহোকখি।

এম এল এ সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখিবদি ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ লোয়রকপদা য়াম্না মরু ওইরিবসি কেরিয়র কাউন্সেল্লিং তৌবনি। মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী হৈনবা সবজেক্ট খল্লগা সবজেক্ট অদুগা চান্নবা লম্বীদা চুম্না চৎলবদি পান্দম অদু শোয়দনা ফংগনি। মহৈরোয়শিংগী য়াম্না লুবা তাঞ্জাদা ওঝা অমদি মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংনা চেকশিন্না কাউন্সেল্লিং পীদুনা মখোয়না পাম্বা হৈনবা লম্বী অদুদা ইনবিগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

## মপাল কাংজৈবুংদা সনামহী চেঙ হোংবা

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): সনামহী চেঙ হোংবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা হয়েং ইঙা পুর্ণিমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা সনামহী চেঙ হোংবা অমদি চেঙবি–চেঙবা, হৈমন–লৈমন য়েনবগী থৌরম ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরি।

কম্মিটি অসিগী নিঙোম্বম নোংয়াইনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরমগা মরী লৈননা খোঙচৎ অমসু ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা চৎনবা থৌরাং তৌরি। মসিদা মীয়ামসু শরুক য়াবিয়ু।

## লৈশাংথেম শাগৈগী মীথোই মীহেনবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৬(এস এন এস): লৈশাংথেম শাগৈ অপুনবা লুপনা শিন্দুনা লুপ অসিগী ৯ লক শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ নিংশিং থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নননা শাগৈ অসিগী মীথোই মীহেনলবশিংবু ওকপগী থৌরম ঙসি উরিপোক পোলেম লৈকাই, ইবুধৌ খন্নাংবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খুরাই এ সিগী এম এল এ অমসুং চিয়ারমেন এল দি এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো (য়াইমা)না অথোইবা মীথুং, লৈশাংথেম শাগৈ অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম রাইচন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু, লৈশাংথেম ইবোবি মীতৈ, লৈশাংথেম গৌরমনি সিংহনা অখন্নবা মীথুংশিং অমসুং লৈশাংথেম চাউতোন সিংহ অমসুং হুইদ্রোম মুনাল মীতৈনা মরুওইবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এল সুসিন্দ্রোনা হায়, লৈশাংথেম শাগৈ কয়া য়াম্না লৈরিবগে হায়বসি খঙদোকপা চুমগনি। শাগৈ অসিগী ওইনা অফবা অমসুং মশক নাইবা মীওইশিং পুথোক্কবা হোৎনবদা পুন্না চংশিনমিন্নবগী লোয়নননা অফবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা স্কোলারশিপ পীনবা থৌরাং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্টরনেস্নেল পোলো প্লেয়ার লৈশাংথেম ওংবী থাদোইলৈমা, ফিল্ম এক্ট্রেস লৈশাংথেম তোম্বোইঙম্বী, ইন্টরনেস্নেল বোদি বিল্ডর লৈশাংথেম রোবার্ট মৈতৈ অমসুং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর, কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর অমসুং সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভকী চাংয়েংশিংদা চাদ ৮০গী মথক্তা মার্ক ফংবা মহৈরোইশিংবুসু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা খুদোলপোৎশীং পীখি।

## অন্নাপুরনাগী চেঙ য়েহোকখ্রে

মোরে, জুন ১৬ (এস এন এস ): অন্নাপুরনা স্কিমগী মখাদা বোর্দর টাউন মোরেগী বেনিফিসরিশিংদা ঙরাং চেঙ য়েহোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ওফিসার তেংনৌপল দব্লিউ থমাপতি অমদি এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর চৈনবা হাওকিপ য়াওনা ঙরাং মোরে টাউনগী বেনিফিসরিশিংদা চেঙ য়েহোকখিবনি। অহানবা ওইনা থা অসিগী ১২ হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মচি ভিল্লেজদা স্কিম অসিগী মখাদা চেঙ য়েহোকপা হৌরকখিবনি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা স্কিম অসিগী অপূনবা বেনিফিসরি ১৬১ রোমনি হায়রি।

## ই এস এ সি ওগী মেরিটৌরিয়স এৱার্দ য়েহোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লমশাং থোং মনিংদা লৈবা এদুকেস্নেল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (ই এস এ সি ও)গী ৪ রক শুবা মেরিটৌরিয়স এৱার্দ ২০১৯ ঙসি লমশাং বজার প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখিবা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা য়েহোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী পি আর ও সোইবম জেমসনা ফোঙদোরকখিবদি ঙসি এৱার্দ য়েহোকপগী থৌরম অদুদা লমশাং নগর পঞ্চায়টকী চিয়ারপার্সন অরিবম থাজা দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, ফয়েং হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বা লৈকাংবম ইবোমচা সিংহ, প্রজা হায়স্কুলগী সেকেন্দ হেদ মাষ্টর ওইরম্বা লোইতোংবম ইবোচৌ সিংহ, হায়স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ইরুংবম বিরেন্দ্রকুমার সিংহ, ময়াংলাংজিং হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর নেস্নেল এৱার্দি কোইজম তোলেন্দ্রো সিংহনা অখন্নবা মীথুংশিং অদুগা ই এস এ সি ওগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম ইনাওনা থৌরম মপু ওইখি।

লমশাং নগর পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা বোসেম অমসুং কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজাম ২০১৯ দা মার্ক চাদ ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎতুনা অচম্বা খুদোল পীখি। গভর্ণমেন্ট স্কুল ওইরিবা প্রজা হায়স্কুল লমশাংগী মহৈরোয় অহোংশাংবম কোলিন সিংহ অপোকপা তোন্দোন অমসুং রঞ্জনা দেবীনা মণিপুরী, ইংলিস, মেথমেটিক্স, সাইন্স অমসুং হয়ার মেথমেটিক্স হায়রিবা সবজেক্ট ৬ অসিগী মনুংদা ৫ লেট্টর চক্তুনা পাস তৌরকপদা তিনখিবা মীয়াম্না হরাউবা অমসুং অপেনবা ফোঙদোক্লখি।

ই এস এ সি ওগী জেনরেল সেক্রেটরী দেবেন কুমার সিংহ নাওরেম্না হায়, মশানবু হোৎননিংলবা, হৈনিংলবা, থিজিন্নিংবা ফাওরবা অমসুং খঙনিংবা ফাওরবদি হৈরোইদবা খঙলোইদবা অমত্ত লৈরোই।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পূন্না মহৈরোয় ৯ দা সার্টিফিকেট অমসুং অচম্বা খুদোল তমখি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

জিরিবাম, জুন ১৬ (এস এন এস ): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী মতম শাংনা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অরাম্বম সন্তোসকুমার সিংহনা থা অসিগী ১৪ হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়নননা মহাক্না মণিপুরগী শান্ন–খোৎনবগী লমদা মপূং ওইনা ফুটবোলদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া নৌহৌননা নীংশিংখি হায়রি।

## হোংবি ভিল্লেজদা হেলথ এৱার্নেস দ্রাইভ চংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং হোংবি ভিল্লেজদা হেলথ এৱার্নেস দ্রাইভ চংখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অপ্পর খোরিপোক কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস দ্রাইভ অদুদা তোঙান তোঙানবা কম্মন ওইবা লায়না তিন্নাগা মরী লৈনবশিং নীংথিনা খঙহনখি।

ঈশিংদগী পোকপা লায়না অমসুং হেলঠ অমদি হাইজিনগী মরুওইবশিংগী মতাংদসু লেকচর পীদুনা খঙহনবগা লোয়নননা তঙাইফদনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং কয়াসু খঙহনখি। দ্রাইভ অদুগী মনুং চন্না রুতিন ওইনা য়ুনিট মেদিকেল টিম অমনা মেদিকেল চেকঅপ তৌখি অমসুং তোঙান তোঙানবা লায়না তিন্না অমদি হেলথকা মরী লৈনবা ইসু কয়াগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবগা লোয়নননা অনাবশিংদা দরকার ওইবা হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েহোকখি হায়রি।

## কোম্বিং ওফরেসন চংখ্রে, মীওই ৪ ফাগংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হয়েল লৌবুক খাঙবোক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৪.১৫দগী ৬.১৫ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিম অমনা কোম্বিং ওপরেসন চংদুনা চিংনবা মীওই ৪ ফাগংখ্রে।

কোম্বিং ওপরেসন অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডোক্তর এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এস পি(এল ও) টিঐচ বিশ্বরজিৎনা লুচিংবা নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা চংখিবনি।

ওপরেসন অদুদা মাইকৈ অদোমগী অপুনবা নুপা নুপী পুন্না মীওই ৪১৪ য়ুম য়ুমদগী কৌথোক্তুনা পরেং লেপহল্লবা মতু অমমমতা ওইনা মশক খঙদোকপদা শক্তাকচে য়াওরমদবা মীওই ৪ মখা তানা থিগৎনবা থৌবাল পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

## নুংফৌ কৈথেলদগী সম্রাম তাবা লম্বীদা উ চারা ২৭০০ রোম থাখ্রে

থৌবাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): কে এম ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্কী চিয়ারমেন কেঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট টু জি পিগী প্রধান ৱাহিদুর রহমন অমদি লৈকাই মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা ঙসি খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান নুংফৌ কৈথেলদগী সম্রাম তাবা লম্বীদা উ চারা ২৭০০ রোম থাখি।

কেঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা ফোঙদোকখিবদি উ–ৱা য়াম্থৎপদগী থোরক্লিবা অইং অশাগী চাং কায়রকপনা পীরক্লিবা খুদোংথিবা কয়া অসিদগী কন্নবা লমদম অসিদা অশেংবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম লৈহন্নবগী পান্দমদা উ চারা থাবগী থবক অসি পাঙথোকপনি।

লম্বী অসিদা চখোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা খুদোংচাবা ফংনবা অমদি ঙাইহাক পোত্থাবা ফংনবা মীৎয়েংদা উ চারা থাবগী লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক অসিদা মতেং পাংবা ওইনা থবক অসি চংখবনি। লৈকাইগী মীয়াম অমদি স্কুলগী মহৈরোয় অমসুং ষ্টাফ ১২০০ রোম্না এক্সকাভেটর ২ শীজিন্নদুনা ঙসি উ চারাশিং অদু থাখিবনি।

## অমজুদা মতেং পাংলকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): লৈখিদ্রবী অকোইজম ইবেমহল (বেবে)গী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা অপোকপী অকোইজম ওংবী শান্তিবলানা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)দা পাউমীশিংগীদমক শেলগী মতেং পাংলকখ্রে।

অমজুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কোঞ্জেং লৈকাই ইম্ফালদগী অকোইজম ইবেমহলগী অপোকপা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী এম এল এ অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা অকোইজম লাঙমগী ইমুং মনুংনা মমাঙথক্তা অমজুদা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরমদা অকোইজম ওংবী শান্তিবলানা অমজুগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস বোকুলজাওদা শেলগী তেঙবাং খূৎশিন্নখি। লোয়নননা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পূন্না চাক্লেন অমসু চামিন্নখি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এমসু ব্রাঞ্চ ৫ গী থৌ পুগদবশিং খল্লগনি

থৌবাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মখাদা লৈবা খাঙবোক, হৈরোক, খোংজোম, ৱাংজিং অমসুং য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী ২০১৯–২১ সেসনগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খল্লগনি।

এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী নবি অক্রমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থা অসিগী ১৭ হয়েং অমুবা হায়স্কুল খাঙবোক্তা পাঙথোক্কদবা মীফমদা খাঙবোক ব্রাঞ্চকী, থা অসিগী ২০ দা হৈরোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা হৈরোক ব্রাঞ্চকী, থা অসিগী ২২ দা ললিতা মাধব হায়স্কুল খোংজোমদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা খোংজোম ব্রাঞ্চকী, থা অসিগী ২৫ দা অজাদ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল য়াইরিপোক্তা পাঙথোক্কদবা মীফমদা য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী অদুগা থা অসিগী ২৭ তা লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা ৱাংজিং ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং খনগনি।

লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদবা মীফম্না নুংথিল পুং ৩ দা অদুগা অতৈগীনা নুংথিল পুং ২দা হৌগনি হায়রি। মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী ব্রাঞ্চকী ওইনা পাঙথোক্কদবা মীফম অসি শোয়দনা শরুক য়াবিনবসু পাউজেল্লি।

## মিষ্টর ইন্দিয়ান গ্রান্দ য়ুনিভর্স টাইটল ফংলবা ভিকাস উসম ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): অকসেজ মার্ক ওর্গনাইজেসন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা হৌখিবা মে থাদা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা নেস্নেল লেভেল মিষ্টর পেজেন্টদা মিষ্টর ইন্দিয়া গ্রান্দ য়ুনিভর্স টাইটল লৌরকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হরাওরৌ অৱাং লৈকাইদা লৈবা ভিকাস উসম ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লমদিং মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকপা ভিকাস উসম্বু ওকপগী থৌরম অদুদা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী ফাউন্দর এন বাবুলিন সিংহ, ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর এসঐচ শান্তি দেবী, ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সিল্লর ৱাই ইবোপিশক অমদি অতৈ শক্নাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

উসম কৃষ্ণচন্দ্র অমসুং লাইময়ুম ব্রিলিনা দেবীগী মচানুপা ভিকাস উসম হৌজিক হৌজিক গোৱা ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজদা পার্সুইং বি টেক ফাইনেল সেমিষ্টর তম্লিবনি। গোৱা বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসন্না শীনবা গোৱা ষ্টেট লেভেল মেন্স ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱিন্নর ওইখি।

চহীসিগী মার্চ থাদা য়ু কেদা বেজ তৌবা ফিটনেস ইন্দষ্ট্রি বোদি পৱারনা শীন্দুনা গোৱাদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা মেল মোদেল বেষ্ট বোদি কার্নিভেলগী টাইটল লৌখি অমদি থা অসিগী ২৪ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী জুলাই অমা ফাওবা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদবা ইন্টর্নেস্নেল কম্পিটিসনদা অমদি মতম লেপত্রিবা ম্যান্মারদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেস্নেল কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুগনি হায়রি।

## সেক্যুরিটি মিট অমদি কম্যুনিটি সার্ভিস পাঙথোকখ্রে

সিলচর, জুন ১৬ (এজেন্সি ): নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল অমসুং মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা নম্বোল কম্পনি ওপরেটিং বেজ, কোইরেঙ্গৈ কম্পনি ওপরেটিং বেজ অমদি য়াইঙংপোকপি কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা তুইচিন ভিল্লেজকী বেপটিস চর্চতা ঙসি সেক্যুরিটি মিট অমসুং কম্যুনিটি সার্ভিস পাঙথোকখ্রে।

তুইচিন ভিল্লেজগী বেপটিস চর্চতা পাঙথোকখিবা কম্যুনিটি সার্ভিসতা লোকেল কষ্টমস অমসুং ট্রেদিসনগী মতাংদা নীংথিনা খঙদোকখি। লাইনিং লাইশোল পাঙথোক্কবা তুংদা খুঞ্জাশিংদা ৱারী ৱাতাইসু শানখি। মদুদা লমদম অদুগী মীওই ১৪৫ রোম শরুক য়াখি

## সি পি আই থৌবাল লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): সি পি আই থৌবাল লোকেল কাউন্সিলগী ৩২ শুবা কনফরেন্স ঙসি ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা সি পি আই ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, নেস্নেল কাউন্সিল মেম্বর ডা. এম নরা অমদি লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। কনফরেন্স অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখিবগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি দব্লিউ জিতেন সেক্রেটরী অমসুং দব্লিউ শমজাই ত্রেজররনি। কনফরেন্স অদুনা লৈখিদ্রবা সি পি আই মেম্বরশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উত্তুনা মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্পগা লোয়নননা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## নুপীদা কারন তারম্বা নন–মণিপুরী অমা মীয়াম্না ৱারকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোই নুপীমচাশিংদা কারন তারম্বা নন–মণিপুরী অমা মীয়াম্না ফারগা ৱারক্লবা মতুং পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, থৌদোক অসি দি এম কোল্লেজ কেম্পস মনুংদা লৈবা লেদিস হোষ্টেল মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মীয়াম্না ফারগা ৱারকখ্রবা নন–মণিপুরী অদুগী মমিং অরুন কুমার দাস (৩৩) অপোকপা অনিল দাস কৌই। সেরৌদগী হৌজিক্তা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা শান্দোকপা য়ুমদা লৈবনি।

মহাক্না লেদিস হোষ্টেল মনাক্তা লৈরগা থোক্লকপা মহৈরোই নুপীমচাশিংদা ফিনুংগী হকচাং উৎশিনবগী থৌওংশিং চংখরকপদগী মহৈরোই নুপীমচাশিং অদুনা মীওই খরদা ৱাকৎলকপদগী মহাকপু তান্নরগা ফারবা মতুং মীয়াম চংশিন্নরক্তুনা ৱারক ৱাতেল্লবা মতুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

## এসে ইবা অমদি লাই য়েকপা চাংদম্নখ্রে

ককচিং, জুন ১৬ (এস এন এস ): লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা শীন্দুনা মহৈরোয়শিংগী হেন্দরাইটিং, এসে রাইটিং অমসুং পেন্টিং কম্পিটিসন ঙসি পত্মরত্না ইংলিস স্কুল ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

সেন্টর অসিগী চহী ২৫ শুরকপগী হৌখিবা এপ্রিল ২১ দগী হৌনা চহী অমা চুপ্পা চংখরিবা সিলভর জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি হেন্দরাইটিং, এসে রাইটিং অমসুং পেন্টিং চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি।

চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস ৱান্দগী ফোর ফাওবা, ক্লাস ফাইবতগী সিক্স ফাওবা, ক্লাস সভেনদগী আইট ফাওবা অমসুং নাইনদগী টেন ফাওবা কাঙলুপ ৪ থোক্না খায়দোকখি। হেন্দ রাইটিং কম্পিটিসনদা মহৈরোয় ৮৬০, এসে রাইটি কম্পিটিসন্দা মহৈরোয় ৩৮০ অদুগা পেন্টিং কম্পিটিসন্দা মহৈরোয় ৩২০ না শরুক য়াখি। লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী সেক্রেটরী ক্ষেত্রিময়ুম জোয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদি চাংদম্নবা অদুগী এসে ইবগী থিম্না মোবাইল ফোন য়ুজ এন্দ এব্যুজ হায়বসিনি। অদুগা লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থিম্না গ্রেট পার্সোনেলিটি (মাই রোল মোদেল) হায়বসিনি।

## লিমোনগী বেগ শাবগী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

সিলচর, জুন ১৬ (এজেন্সি ): দিরেক্টোরেট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়ারগী মখাদা লৈবা রুরেল এদুকেসন দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট (আর ই দি আই) সেরাখুন রোংপুর সিলচরগী মীৎয়েং মখাদা ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট ওন জুইট আইটেমস ফোর ৱুমেন হায়বসিদা সিলচরগী সেরাম খুন রোংপুরদা নুমিৎ ১০ নি চংখরকখিবা জুইট (লিমোন)গী বেগ শাবগী ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে।

ট্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওল অসাম মৈরা পায়বী লূপ (এ এ এম পি এ এল)গী প্রসিদেন্ট এ লেলি সিংহানা অথোইবা মীথুংলেন, উধারপুর জিল্লা পরিষদকী মেম্বর বেলিয়ারা বেগম ৱিলাস্করনা থৌরম মপু অদুগা তোমিজউদ্দিন লাস্কর অমসুং নুরুলহুদা লাস্করনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

আর ই দি আইগী সেক্রেটরী সেরাম হেরাজিৎনা হায়,ৱুমেন ইম্পৱারমেন্টকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং অসি সেল্ফ ইনকম জেনরেসন ওইবা য়াবা অমনি। জুইট বেগ পুথোক্লবদি য়োনবগীদমক খুদোংচাবসু ফংগনি। অমদি থবক ফংদনা লৈবগী মহুৎ ইশা ইশাগী য়ুমদা থবক শুদুনা শেল তানবসু ঙমগনি।

ট্রেনিং অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী ৩০ দসু ঙসি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েহোকখি হায়রি।

## প্রি যোগ দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (এস এন এস ): টেন সেক্টর অসাম রাইফলসকী সংসক বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা গম্নোম কম্পনি ওপরেটিং বেজদা ইন্টরনেস্নেল যোগ দেগী মাঙওইননা প্রি যোগ দে প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, প্রোগ্রাম অদুদা অকোয়বদা লৈবা মীওই ৩৫ য়াওনা পূন্না মীওই ৬০ শরুক য়াখি অমসুং যোগ প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১৭–০৬–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অফবা পাউ তাবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, অরুবা পাঙথোকপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** শাওদবা ফগনি, খৎননিংগনি। মীনা য়েংশিল্লি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। মীগী মতেং পাংলুগনু। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** গারী তপ্পা থৌগনি। শাওদবা ফগনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬, ৭ খরা ফত্তে।

**কর্কটঃ** অশাওবা, খৎনবা, খুদোংচাবা ৱাৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। শাওদবা ফগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ চাং অমদা লৈ।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, ফগৎপা, হোৎনজমন কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০,১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** শোকপা, শাওনবা, মীচং শোম্বুবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি য়াগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** অফবা মীগা লোয়নবা তাবনি। ফত্তবদগী লাপথোকপা ফগনি। বদনাম ৱাইচিল খমজিলহনবা তৌরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। লমতু চৎপা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** থাজবা, তিন্নবা মীদগী হৈশিংউ। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। মীগী মতেং পাংলুগনু। পোৎ লৈবা চেকশিল্লু। তোখাই তাগনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ খরা ফগনি।







